**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুর বিধান সভানা ঙসি শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১০ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৬,৭১০ হেনবগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস পাস তৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- রাজ্য অসিদা মতম হেল্লবা গাড়িশিং চপখায়বগী ভেহিকল স্ক্রেপ্পিং পোলিসি, পাব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপ (পি.পি.পি) মোদেলদা চৎনগনি।

৩) উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- রাজ্য অসিদা পোপ্পি পান্বী পাক শন্না থারিবা মফমশিংগী মপু থিদোক্তুনা মখোয়দা চৈরাক পীননবা সরকারনা থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনরি।

৪) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরদা হান্নগুবা তংদু লৈতাবা ফিভমদা পুরকবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামগী কোক্রাঝারদা লুপা কোতি লিশিং ৪,৫৭০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখি, খরনা শঙ্গাখি।

------

**এসেমব্লি (এল)ঃ মনিপুর বিধান সভানা ঙসি শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১০ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৬,৭১০ হেনবগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নরবা মতুং পাস তৌখ্রে।**

**সভাগী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা দিমান্দশিং অদুদি-ত্রান্সপোর্ট, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস দিবলপমেন্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট, কম্যুনিতি এন্দ রুরেল দিবলপমেন্ট, প্লান্নিং, রিহেবিলিটেসন, ষ্টেট একাডমী ওফ ত্রেন্নিং মাইনোরিতিজ এন্দ আদর বেকৱার্ড ক্লাসেস এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিনি।**

এসেমব্লি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- জাতিগী থৌশিলগা চান্ননা রাজ্য অসিদা মতম হেল্লবা গাড়িশিং চপখায়বগী ভেহিকল স্ক্রেপ্পিং পোলিসি পাব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপ (পি.পি.পি) মোদেলদা চৎনগনি।

মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎনা পুখৎলকপা কট মোসনগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা য়েংনবদা মতম হেল্লবা গাড়ি চপখায়বগী মশিং অসি য়ামা হন্থরি। রাজ্য অসিদা মতম হেল্লবা গাড়িশিং অসি আইনগী মতুংইন্না চপখায়বগী তঙাইফদবা লৈ হায়বগী ৱাফম ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী পুলিস ষ্টেসন কয়াগী অকোইবদা হন্দক্কী কাংলুপকী ইরাংদা অমাং অতা থোকখ্রবা গাড়ি কয়া অমা তাদুনা লৈরি। মসিদসু সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা আইনগী মতুংইন্না থবক পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। শ্রী খেমচান্দনা হায়- লমদম অসিগী মীয়ামা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচানবা ইকুই কুইদনা জিলা ১২ গা ফাওনহনবা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বস সার্ভিসশিং হৌদোকখ্রে। সরকারনা খুমন লম্পাক্কী আই.এস.বি.টি মথৌ তৌবা হৌহনখিবগা লোয়ননা সেকমাইদা লৈরিবা আই.এস.বি.টিগী এপ্রোস রোডসু শেম শাবগী থবক চথুরি।

সিএম (এল)ঃ   মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা এ.দি.সি মীখল তৌবা ঙমদ্রিবা অসিগী মতাংদা কেবিনেটনা হিলস এরিয়া কমিতিদা রিপোর্ট অমা পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। এ.দি.সি অসি হৌজিক মথৌ তৌদনা লৈবনা মসিদা থাদরিবা শেনফমগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল হৌজিক চথরিবা বিধান সভা মীফমদা পীগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

লোসি দিখো (এল)ঃ   উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- রাজ্য অসিদা পোপ্পি পান্বী পাক শন্না থারিবা মফমশিং অসি কম্মুনিতি নত্রগা কনাগুম্বা অমগী লমদা চথব্রা হায়বদু থিদোক্তুনা মখোয়দা চৈরাক পীননবা সরকারনা থৌশিল থৌরাং অমা পায়খৎনবা হোৎনরি।

মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী ৱাফম খন্নরকপদা কংগ্রেসকী থোকচোম লোকেশ্বরনা পুখৎলকপা কট ওফ মোসনগী পাউখুমদা শ্রী দিখোনা হায়- পোপ্পি পান্বী পাক শন্না থাবা মতমদা থারিবা মফম অদু কম্মুনিতি অদুগী লম ওইব্রা নত্রগা কনাগুম্বা অমগী লম ওইব্রা হায়বসি থিদোক বা হোৎনগনি। মসিনা পোপ্পি পান্বী অদু থারিবা লৌমী অদুতা নত্তনা লম অদুগী মপুসু আইনগী মতুংইন্না দন্দি পীনবগী থবক পায়খৎপদা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- সরকারনা রাজ্য অসিদা পোপ্পি পান্বী পাক শন্না থাবা মুত্থৎনবগীদমক্তা অকনবা থবক লেপ্তুনা পায়খৎকনি।

শ্রী দিখোনা রাজ্যগী উমংগী মফমশিংদা আইন কায়না লম খোপচিল্লকপা অমদি চৎন কাংলোনশিং থুগাইদুনা চথরিবা থবক থৌরমশিংদগী ঙাকথোকবগীদমক সরকারনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়না ফোংদোক্লদুনা মখা তানা হায়- রিজার্ভ অমদি প্রোতেক্তেদ ফোরেষ্টকী সিমানা পরিং ঙাকনবা অকক বা থৌরাং ৫ নিংথিনা চৎনহল্লে। চৎলিবা চহি ২০২৫-২৬ অসিদা রাজ্য অসিগী রিজার্ভ অমসুং প্রোতেক্তেদ উমংশিংদা থোকহনবা অমাং অতাগা মরী লৈননা কেস পুন্না ২০২ লৌখৎতুনা মরাল লৈবা মীওই ১৩৯ ফাগৎলে। হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা ১৫৩ না লাম্মে থাবা অমদি অতোপ্পা ৪৮ না চীং লৈবাক আইন্না য়াদবা মওংদা কোৎপগা মরী লৈনবনি।

মহাকা মখা তানা হায়- সরকার অসিনা রিজার্ভ অমদি প্রোতেক্তেদ উমংশিং লাম্মৈ চাকপদগী কন্নবগী পান্দমদা রাজ্য অসিদা পুন্না ভিলেজ ফোরেষ্ট ফয়ার কমিতি ৫৬০ লিংখৎলে। মসিগা লোয়ননা হেল্প লাইন অমসু হাংদোক্লে। রাজ্য অসিগী উমংশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা উমং কোকথোরকপা অমদি হেনগৎলকপগী চাং খঙদোকবা অমসুং  লাম্মৈনা উমং মাংহন তাকহনবদগী মাংজোননা খঙদোকবা য়াওনা উমং কনবগী হিরম খরদা সরকার অসিনা শিল্লোং বেজ তৌবা এ.আই. দ্রিভন সেতেলাইট মোনিটরিং সিষ্টেম-নিসারগা খুৎশমনা থবক তৌমিন্নরি।

গভর্নর (এল)ঃ  রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরদা হান্নগুবা তংদু লৈতাবা ফিভমদা পুরকবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ৱাফম অসি ঙসি কাংপোকপী জিলাগী নিউ কৈথেলমানবীদা পাঙথোকপা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরদা শরুক য়ারুবশিংবু ওকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি। অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎলদুনা রাজ্যপালনা হায়- মীয়ামগা চুশিন্নবা অমদি অপুনবা শাগৎনবা অসাম রাইফলসনা কন্না হোৎনরি। অসিগুম্বা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুর অসিনা নহা ওইরিবশিংদা মীৎয়েং শান্না উহনবা অমদি অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু পোকহনবা ঙমগনি।

নীংশিংবা য়াই, মার্চ অহুমদা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা লমথাদুনা চৎখিবা নুমিৎ ১০ নিগী খোঙচৎ অসিদা মহৈরোই ২৪ না কোলকাতা, কেরলম, তামিলনাদু, মুম্বাইদা চত্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়েংখি।

কেফ (এল)ঃ        রাজ্য অসিদা এল.পি.জি অমদি অতৈ পেট্রোল্লিয়মগী পোত্থোকশিং ফংলরোই হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোরক্লিবা তোকঙা অসি অরানবা ৱাফমনি হায়না দাইরেক্তোরেট ওফ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মণিপুরনা ফোংদোরক্লি।

কেফ এন্দ পি.দিগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অসিগুম্বা তোকঙা অসিনা মীয়ামদা লান্না লমজিংবনা মরম ওইরগা মীয়ামা ফংলরোইদ্রা চিংনবদগী পোৎ পংলৈদা লৈশিন্নবা তৌবীগনু। ইন্দিয়া ওইল কোর্পোরেসন লিমিতেদনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না হৌজিক রাজ্য অসিগী এল.পি.জি অমদি অতৈ পেত্রোল্লিয়মগী পোথোকশিং মরাং কায়না লৈরি। মতম খরা এল.পি.জি য়েন্থোকপদা অপনবা লৈখিবা অদু ভারত পুম্বগী ওইনা টেকিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা খরা লৈবদগীনি।

অমরোমদা, কেফ এন্দ পি.দিগী দাইরেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা বিভাগ অসিগী ও.এস.দি-পি.ও.এল হাওবম বোবিনা লুচিংদ্না জনুৱারি ৫ দগী ওইল পম্পশিংদা চত্থরকখিবা য়েংশিনবগী খোঙচৎকী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ অয়াংপল্লিদা লৈবা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিতেদকী রিতেল আউটলেটতা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা হাওবম বোবিনা হায়- ওইল পম্পশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরি। খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না ওইল পম্পশিংদগী পেত্রোল অমদি দিজলগী সেম্পল লৌদুনা গুৱাহাতিদা টেষ্ট তৌনবা থাখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পেত্রোল পম্পশিংদা করিগুম্বা ইসু অমত্তা থেংনবা লৈত্রি। টেষ্ট তৌনবা থাখ্রিবা অসিগী চপ চাবা রিজল্ট লাক্লবা মতুংদা করিগুম্বা পোৎয়ান য়াওরম্বা থেংনরবদি আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি। মহাকা হায়- আমেরিকা, ইজরেল অমদি ইরানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা এল.পি.জি অমসুং থাউ ফংলরোই হায়বগা মীয়ামা মীপাইবা তৌবীগনু। রাজ্য অসিগী ওইনা এল.পি.জি অমসুং থাউ মতিক চানা লৈরি।

মীহুৎ (এল)ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- রাজনীতি তৌবা অমসুং মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা হায়বসি মনুং মপান ফাওনা উহনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা থাজবগা লোয়ননা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দশিং নিংথিনা শিজিন্নদুনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবা কুঞ্জদা ঙসি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শাবা লাইবুং কম্যুনিতি হোল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী শ্যামনা হায়- মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌগদবনি। কৈদৌনুংদসু মীয়ামগী হকশিং মৎলোইদবনি। চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা শ্রী শ্যামনা আপীল তৌরি।

নো-স্মোকিং (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি জাতিগী নো স্মোকিং ডে থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ শুজাতা হুইদ্রোমনা হায়- হিদাক মনা য়াওবা মৈখু শিজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংদা লায়না কয়া থোকহল্লকপা য়াই। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমকা মৈখু শিজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্নুনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

এৱারনেস (এল)ঃ উধ্যম রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুল অৱাং লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল রুরেল লাইভলিহুদ মিসন, এম.এস.এম.ই টেকোলোজি সেন্তর ইম্ফাল অমসুং থৌপাংশি সি.এল.এফ খুরখুলনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা উধ্যম রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমসুং মায় পাক্লবা ওন্তরপ্রেন্যুর অমা কমদৌনা ওইরক্কনি হায়বগী মতাংদা নিংথিনা তাকপী তম্বীখি।

তমেংলোং (এল)ঃ মোটোর ভেহিকল এক্টকী মতুংইন্না পীরিবা রুলগী ৱাংমদা মরী লৈনবা ওথোরিতিগী অয়াবা য়াওদনা গাড়িশিং শেমদোক শেমজিন তৌদনবা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার তমেংলোংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- থৌবদা ফিভম চাদ্রবা গাড়িশিং শিজিন্নবা অসি আইনগী ৱাংমদনি। রোড সেফতিগী নিয়ম ঙাক্তবা, নোইস অমসুং ইয়ার পোল্লুসন

থোকহন্দনবগী ষ্টেন্দর্দ য়ৌদবা গাড়িশিং থৌবা য়ারোই। অসিগুম্বা গাড়িশিং থৌরম্বা থেংনরবদি আইনগী মতুংইন্না চৈরাক পীগনি।

জন সুনৱাই (এল)ঃ থা অসিগী ৯ দগী হৌদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকরিবা মহিলা জন সুনৱাই রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি। মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা রাজ্য অসিগী জিলা ৫ দা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসি ঙসি চান্দেল জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখি। নুমিৎ মঙানি চুপা চথুরকপা থৌরম অসিদা নুপীশিংগী ওইবা ৱাকৎ কয়া পুখৎলকখি অমদি কম্মিসনগী মাইকৈদগী ৱাকৎশিং অদু লোইশিনখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামগী কোক্রাঝারদা লুপা কোতি লিশিং ৪,৫৭০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখি, খরনা শঙ্গাখি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা গুৱাহাতিদগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা বোরো তেরিতোরিয়েল কাউন্সিলগী এরিয়াশিং লম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মসিগীদমক সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ১,৫০০ কাইথোক্লে। মহাকা হায়- বোরোগী জগাশিং অসি হৌখিবা চহি তরা রোম অসিদা হিংশাগী থবক কয়া চথুরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি খুৎলায় পায়বা নহা কয়ামরুম সরকারদা চংজরক্লুনা শান্তি অমদি চাওখৎপগী লম্বীরোমদা চংশিল্লক্লি। বোরো কাংলুপকী থাজবা অমসুং চৎনবী কয়া হৌজিক্তি সরকারনা জাতিগী থাক্তা মশক খঙহন্নবা হোৎনরি।

ৱার্কশোপ (এল)ঃ কলেজ দিবলপমেন্টেল কাউন্সিল-মনিপুর য়ুনিভরসিতি, রাস্ত্রিয়া সমাজ বিগ্যান পরিষদ (আর.এস.ভি.পি) ন্যু দিল্লিনা শিনদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা ৱার্কশোপ অমা ঙসিদগী হৌখ্রে।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা হিষ্ট্রি ওজাশিংগী ওইবা মেথোদোলোজি এন্দ স্কিল এন্দ এনহেন্সমেন্ট হায়বা হীরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংলি। ৱার্কশোপ অসি তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কনি।

এময়ু (এল)ঃ স্বার্থ এক্সন প্লানগী শরুক অমা ওইনা দাইরেক্তোরেট ওফ এম.এস.এস, এম.ই.আর-অসাম অমদি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এম.এস.এস. সেল অনিনা পুন্না শিনদুনা এন.এস.এস.পি.ও.এসকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি-শ্রী নাওরেম প্রবিন সিংহ, রিজনেল দাইরেক্তোট ওফ এম.এস.এস.-গুৱাহাতিগী রিজনেল দাইরেক্তর-দি.কারথিগুইনে, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্তর-ডাঃময়েংবম ভিতো সিংহ শরুক য়াখি।

কিমাক্স (এল)ঃ কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইতি (কিমাক্স) কী ২৩ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি পেলেস কম্পাউন্দগী গভরমেন্ট দান্স কলেজ কেম্পসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী সেক্রেটরি-খুন্দ্রাকপম অশ্বিনি কুমার, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দাইরেক্তর-জি. ধরমাদাস শর্ম্ম অমসং কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট-নিংথৌজম অজিৎকুমার শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ ৱাইখোম চিত্রাধানিদগী--

ক্রিকেট ঃ ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহুমসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডল্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমসুং ডল্লিয়ু রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা কে.সি.সি কোংবা বজার অমদি এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাই শান্নগদবা মেটচ অমসুং থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা মোদেল শিংজমৈ চীংঙা মখা অমদি রেজ খ্বাই নাগামপাল শান্নগদবা মেটচশিং নোংনা মরম ওইরগা য়েথোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা পি.টি.আর.সি-পাৎশোই পার্ট ফোরনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা ত্রোফি অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

এথলেতিক্স ঃ নিউ দিল্লিদা চত্থরিবা ৱার্ল্ড পেরা এথলেতিক্স গ্রান্দ প্রি ২০২৬ কী নুপাগী জেল্লিন থ্রোদা সুমিত অনতিলনা সনাগী তকমান লৌরে। মশান্না অসিদা পুসপেন্দ্র সিংহনা লুপাগী তকমান অমদি পুনম রামনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরে।

------